এমসু অমসুং কাদানা এন্টি দ্রগ কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমসুং কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) অনীনা পূন্না শীন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা পোরোম্পাৎতা লৈবা দাইনা ইংলিশ স্কুলদা এন্টি দ্রগ কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে।

কাদাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খুন্দোংবম অনন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, এমসু অমসুং কাদানা পূন্না শীন্দুনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মহৈলোইশঙশিংদা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা এন্টি দ্রগ কেম্প্যেনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ তাবদা স্কুল অসিদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এম চাওবা প্রিন্সিপাল দাইনা ইংলিশ স্কুল, লোংজম ব্রোজেন সেক্রেটরি লাইব্রেরী এন্দ দোক্যুমেন্টেসন, এমসু অমসুং কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কাদাগী সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন ময়েংবম বুধিনা থৌরম অদুগা মরী লৈননা হায়খি, ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা হৌরকপা হায়বসি অহানবদা ইমুং-মনুংদগী হৌরকই, স্কুল, কোলেজদগী হৌরকখিবা নত্তে। ইমুংগী মমা-মপা অমদি মচা ওইবশিংদা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং, ক্বা, খৈনী, চুরুটনচিংবা লৈনবা পাখোন থাই অমসুং অঙাংশিং অদুগী মমাংদা হায়রিবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নবনা অঙাংশিং অসিনসু মতৌ তম্নীংবা, মহাও য়েংনিংবা ফাওহল্লকই। অমরোমদনা মমা-মপানা হায়রিবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নদুনসু মহৈরোয়শিংনা মতৌ তম্বা য়াদে। গার্জিয়ানশিংদা ঐখোয়দা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা উহনগনু হায়না হায়য়ু। মহৈরোয় ওইরিবা নখোয়না ময়াই কাবা চীঙ্গাক মহাও হেক তংলুরবদি মাঙগনি। গার্জিয়ানশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাই হায়দুনা মহৈরোয়শিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবগী মতৌ তম্বা য়াদে। মদুনা ইশানা ইশাবু মাঙহঞ্জবনি। গার্জিয়ানশিং, ওজাশিংনা ফনা ফবা পাউতাক য়াম্না পীদুনসু ইশানা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চারবদি অফবা খক ওইবা ঙম্লোই। লায়না কয়া লাক্কনি। নারবদি লাইরিক লাইশুদা পূক্লিং চঙবা ঙম্লোই। লাইরিক ফজনা তম্বা ঙমদ্রবদি মহৈরোয় নখোয়সু মাঙবা, ইমা-ইপাসু অরেম্বদা কান্নদবা, ওজাশিংসু নীংবা কায়বা পূম্নমক মাঙমিন্নবা ওইগনি। হকচাং ফবনা লননি হায়নবা পাউরৌ অদু নীংশিংদুনা হকচাং ফনা থম্নবা মহৈরোয়শিংনা হোৎনসি। মহৈরোয়শিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরবা অফবা মী শুংওই ওইররোই হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্লা ঐখোয়গী হকচাংদা শোকহল্লকপা কয়াগী মতাংদা ভিজ্যুএল ওইনা উৎতুনা হৌরক্লিবা চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরক্তনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। থৌরমদুগী প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা লোংজম ব্রোজেননা হায়খি, অতোপ্পা লৈবাক অমদি ষ্টেটশিংদদি মীয়াই চল্লবশিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাই। অদুগা মণিপুরদনা মহৈরোয়-শিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্লিবা অসি থিংনবা ঐখোয় খূদিংমক্না হোৎনবা তাই, থিংহৌদ্রবদি মহৈরোয় খুন্নাইগী তুংগী লাইবক তম্বা ঙমদে হায়খি। মহৈরোয়শিংনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাই নৎত্রগা চারমগনি খল্লগা অসিগুম্বা কেম্প্যেন অসি পাঙথো-কপা নত্তে। ময়াই কাবা চীঙ্গাক্কী অমাঙবা ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নদুনা অমদি ৱাখল তামিন্নদুনা তুংগী খুন্নাই অসিগী অফবা অচঙবা মহৈরোয় অমমম্ ওইরক্নবা কেম্প্যেন অসি চঙশিনবনি হায়খি।

ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা লায়চুবা মহৈরোয় অমত্তনা মখোয়গী তুংগী পূন্সিদা মায় পাকপা ঙম্লোই। অফবা মহৈরোয় ওইনবা হকচাং ফনা থমসি। ইথৌদা পূক্লিং চঙসি অমসুং লাইরিক নীংথিনা তমসি। মহৈরোয়, খুন্নাই অমদি মীয়ামগী থবক খরদং ওইরবসু তৌমিন্নসি। মহৈরোয়শিং কন্নবা অফবা মহৈরোয় ওইহনবা হায়বসি গার্জিয়ানশিংগী মঙলাননি, ওজাশিংগী থৌদাংনি। মরম অদুনা এমসুনা মহৈরোয়শিংগী মতম চুপ্পদা লেপকনি। লমদম অসিবু নুংঙাই য়াইফবা চাউখৎপা লমদম অমা ওইহনবা হায়বসি মহৈরোয়শিংগী খূৎতা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কাদাগী সেক্রেটরি জেনরেল দিপাঞ্জিৎ নিংথৌজমনা হায়খি, মতম অমদা মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু মীথোই-মীহেনবা পাম্লম্মী। অদুগা ঙসিনা মীথোই-মীহেনবা মচাদুবু ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরক্লদ্রা হায়না পাখৎপনা হেল্লে। মমা-মপা ওইবশিংনা মচা ওইবশিংবু অফবা মী অমমম্ ওইহন্নীংই। মচা ওইবশিংবু মরম ওকপা, হায়বা ইনবা, ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাদবা, মচাশিংনা অমুক ময়াই কাবা চীঙ্গাক চারক্লিব্রা হায়বসিসু নৈনবা মথৌ তাই হায়খি। ইমুং-মনুংদা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা, পূক্লিং-ৱাখল লাকশিনবা ঙমদবা, গভর্ণমেন্টনা নীংথিজনা থিংদবনা ফোংনা অমদি মরাং কায়না ফংলকপনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবগী অচৌবা মরমনি। মহৈরোয়শিংনা পক্লিং-ৱাখল, হকচাং ফনা থম্বা মথৌ তাই। ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরবদি লায়না কয়া লাক্কনি, ইম্ম্যুন সিষ্টেম, সেন্ট্রেল নর্ভস সিষ্টেম শোক্লক্কনি অমসুং লায়না কয়া পোকহল্লক্কনি।

এক্ট অমসুং লো লৈরি গভর্ণমেন্টনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংলি হায়দুনা লৈথোকপা মতম নৎত্রে। মহৈরোয় ঐখোয়না ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নরোই হায়না ৱাশকপগা লোয়ননা য়ূম-য়ূমগী ইমা-ইপাশিংসু কায়নবা পামদে। মখোয় পূন্সি শাংনা হিংহনবা পাম্মী। মখোয়না ঐখোয়গী লাইরিক তমহল্লিবনি। মখোয় ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নহনগুমসি অমসুং ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তগী কন্নবা ৱারী শাবীয়ু হায়নসু আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংখিবা স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল এম চাওবনা হায়খি, মহৈরোয়শিংনা তুংগী য়ূম্বীরেলনি। মখোয়না মীথোই-মীহেনবা মতিক চাবা মী ওইরগা অফবা খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙমগনি। চহী য়াম্লবা ঐখোয়না করিবু তৌরুগনি। চহী নৌরিবা মখোয়দা ঐখোয়গী অপাম্বা, ৱাখল, মীৎয়েং খূদিংমক ওইরিবনি। মহৈরোয়শিংনা মায় পাকখিবা হায়বসি ঐখোয় পূন্নমক্কী য়াইফবা ওইগদৌরিবনি। পূন্নমক অসি ওইহন্নবা ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা য়াদে। হন্না ফাওবা য়েংবা য়াদে। গার্জিয়ানশিংনসু ময়াই কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নবা, চহী নৌরিবশিংদা উহনবা য়াদে হায়না ফোঙদোকখি।

ইবেমহল মীহাৎতা চেন্নবা পুথোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি : জে এ সী

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস) : মোইরাং ওক্সুবুংদগী মশাগী চহী ৬৮ রোম শুরবী কিয়াম ওংবী ইবেমহলবু মৈ থাদুনা হাৎখিবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা রেল্লি অমা চৎলবা মতুংদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে। মোইরাং পুলিস ও সীদা মেমোরেন্দমসু পীশিনখ্রে।

মীফম অদুদা লৌবা ৱারেপশিংদি ইবেমহলগী শোরাৎ য়ৌদ্রিঙৈদা মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মীওই পুলিসনা পুথোক্কদবনি। পুথোকপা ঙমদ্রবদি মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনবা হায়বা অসিনি। ৱারেপশিং য়াওবা মেমোরেন্দম অমসু মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী ও সীদা পীশিনখি। মোইরাং ওক্সুবুং লৈকায়দগী ইবেমহল চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মৈ থারগা শিরগা লৈরমখি। মীশি অসিগী মতাংদা জে এ সী এগেনষ্ট দি কিল্লিং ওফ কিয়াম ওংবী ইবেমহল হায়বা জে এ সী শেমদুনা খোঙজং হৌখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা ইবেমহলগী মমৌনুপী সুর্মিলানা ফোঙদোকখিবদা, ঙরাং মহাক্তি মপামগী কর্ম্ম অমা লৈবদগী অয়ূক অঙনবদগী মপামদা লৈ। নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ২ তারকপদা মনেমপোক লৈত্রে হায়বগী পাউ পীরকখিবনি। নুমিৎ খরনিগী মমাংদা লুপা লাখ ১.৩০ রোম তাবা মরূপ অমা ফাওবদগী শেল অমদি মচাগী সনাগী লিক অমসুং য়োৎকী গোদ্রেজ মনুংদা লৈবশিংসু অমত্তা লৈরমদ্রে। পোৎ-চৈ অয়াম্বা চাইখাইদুনা লৈরমখি। শেল অমসুং সনা লৈরমদবা অসিনা মীশি অসি কনাগুম্বা মীওইনা মী লৈতবগী তাঞ্জা ঙাইরগা হাৎলবা মতুং মৈ থাবীবা ওইরমগনি। মীয়াম্না মীহাৎ অসিদা চেন্নবা মী পুথোকপীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা ইবেমহল হাৎপা মীওই পুথোকউ, অথুবনা মীহাৎপা পুথোকউ হায়না থাবা প্লেকার্দ কয়াসু পায়খি। ইবেমহল মীহাৎতা চেন্নবশিং শোরাৎ ফাওবগী মনুংদা পুথোক্ত্রবদি খোঙজং চঙশিনগনি হায়না জে এ সীনা থল্লক্লি হায়রি।

নুমীৎ ১৫ নিগী ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ : টু চেঞ্জ মোইরাং রিহেব্লিটেসন সেন্টরনা থা অসিগী ১৫ দগী হৌদুনা নুমীৎ ১৫ নিগী ওইবা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোক্কনি হায়না ইমা লাইরেম্বী হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট কোওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদ মোইরাংনা ফোঙদোরক্লি।

ইমা লাইরেম্বী হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফ্ট কোওপরেটিব সোসাইটি লিমিটেদ মোইরাংগী সেক্রেটরি এম মুহিনিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ময়াই কাবা চীঙ্গাক চাবা ইমুং অমদা ওইহল্লক্লিবা থৌদোক ৱাথোক অসিদা ইমুংদুদা নত্তনা খুন্নাই অসিদা ওইহল্লিবা শক্তম অসি ঐখোয়না হৌজিক থেংনরিবা ৱাফমনি। অসিগুম্বা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা লাইচুরবশিংবু মরেক মহাও থোকপা ময়াই কাবা চীঙ্গাক য়াওদনা লৈবা অমত্তা ঙাইরবা লম্স্বেলদি মখোয়বু লায়েংবা হায়বসি নত্তনা লৈতে। অদুমকপু ইরমদম অসিদা লায়েংফম কয়া লৈরবসু শেল-থুমগী ফত্তবা ইমুং-মনুং কয়াদদি লায়েংফম অসিদগী মতেং ফংদনা লৈরি। মসিদা মীৎয়েং থল্লগা ৱে টু চেঞ্জ মোইরাং (দ্রগ এন্দ অলকোহোল দি এদিক্সন, রিহেব্লিটেসন সেন্টর)দা নুমীৎ ১৫ নিগী ওইবা লেম্না লায়েংবগী খুদোংচাবা অমা লাক্লিবা জুলাই ১৫ দগী হৌগনি হায়রি। অসিগুম্বা কেম্প অসিবু মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু হায়রি।

মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাদা ফোর্মেলিন য়াওই হায়বগী চপ চাবা খুদম পুথোক্কদবনি : কঞ্জুমর ক্লব

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): মেদিকেল দিরেক্টোরেটনা মণিপুরদা লৈরিবশিংবু কঞ্জুমরশিংবু নমথাক তৌবীরে, কঞ্জুমরশিংগী রাইট মাংহনবীরে, কঞ্জুমরশিংগী হকচাং ফনা থম্নবগীদমক্তা পুথোক্লিবা ফুদ সেফ্টি এক্ট অসি লান্না শীজিন্নদুনা অরেম্বদা তাহল্লে হায়না কঞ্জুমরস ক্লব মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি।

কঞ্জুমরস ক্লব মণিপুরগী প্রসিদেন্ট টি ফুলচান্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অসিগুম্বা থৌওং অসিগী থৌদাং কনানা পুগদৌরি। এক্ট অসি লান্না শীজিন্ননবা হোৎনবদি য়াম্না লাল্লি হায়না লৌগনি। কঞ্জুমরশিংগী রাইট মাংহল্লে অমদি এক্ট অসি লান্না শীজিন্নরে হায়বগী চপ চাবা খুদমদি হৌখিবা জুন ২৯ দা ফুদ এনালিস, ফুদ সেফ্টিগী নোদেল ওফিসর ওইরিবনা ইখঙ খঙহৌদনা ওর্দর অমা থোক্তুনা মণিপুরদা মপান্দগী উননা য়োমদুনা পুশিল্লকপা ঙা মখল অমত্তা য়োনবা য়ারোই, হায়রিবা ঙাশিং অসিদা ফোর্মেলিন য়াওবা থেংনরে হায়বনি। মসিগী মথংগী অমুক হেল্ঠ মিনিষ্টর অমদি নোদেল ওফিসর য়াওনা মপান্দগী উননা য়োমদুনা পুশিল্লকপা ঙা মখলশিং মণিপুরদা মতম খরা থিংখিগনি। অহানবা তাঙ্কক্কী য়েংবদা ফোর্মেলিন য়াওরে হায়না ফোঙদোকখিবনি। লোয়ননা অথিংবা অসি নুমীৎ ২০ মুক চৎনখিগনি হায়বসিনি। মণিপুরগী খুৎলায় মতিক চানা লৈতবনা মপানগী অখঙ-অহৈশিংনা য়েংখিগনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুগা জুলাই ৫ দা মেদিকেল দিরেক্টোরেটনা খুৎয়েক অমা পীদুনা উননা য়োমদুনা পুশিল্লকপা ঙা য়োনবদা অথিংবা লৈত্রে। সেম্পল ১৭ লৌদুনা চাংয়েং তৌবদা সেম্পল তরুক্তা ফোর্মেলিন অমসুং এমোনিয়া য়াওবা থেংনরে হায়বসিনি।

থৌওং অসি কঞ্জুমর ক্লব মণিপুরনা হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা হংনিংলিবদি, হৌখিবা জুন ২৯ দা নোদেল ওফিসরনা খুৎয়েক পীদুনা অথিংবা থমখিবা মতমদা ফোর্মেলিন য়াওরে হায়রিবা ঙাশিং অদু কনাদগী করম্বা মফমদগী, করম্বা দুকান্দগী পরম চুম্না সেম্পল লৌখিবগে, করিগুম্বা পরম চুম্না সেম্পল লৌদুনা চাংয়েং তৌবদা ফোর্মেলিন য়াওরম্লিবা ঙা অদু মেদিকেল দিপার্টমেন্টনা সেম্পল লৌরুরিবা ঙা অদু খত্তুরা হায়না হংলক্লি। করিগীদমক ঙা অদু য়োল্লম্লিবা দুকানশিং ফাদ্রিবনো অমদি ঙা অদুগী মরী-মখোং লিদুনা অতৈ মরী লৈনবা ঙাশিং ফাগৎতুনা মীয়াম খঙনা মাঙহনদ্রিবা করিগীনো হায়না মখা তানা হংলক্লি।

মসিগী মথক্তা হেল্ঠ মিনিষ্টরনা ঙা পুশিল্লকপা মতম খরা থিংগনি হায়রগা হৌজিক্লা মেদিকেল দিরেক্টরনা ঙা পুশিল্লকপা অমদি অথিংবা লৈত্রে হায়রিবনা করিগীনো হায়নসু হংলক্লি। সেম্পল ১৭ লৌবদা সেম্পল তরুক্লা পোজিটিব ওইরে হায়রগা করিগীদমক মেদিকেল দিরেক্টরনা অমদি ফুদ সেফ্টিগী কাঙবুনা থবক অমত্তা লৌখৎত্রিবা করিগীনো হায়রি। অহানবা তাঙ্কক্কী চাংয়েং হায়বগী ৱাহন্থোক করিনো হায়না হংলক্লি। মসিনা তাকপদি হন্দক্কী ঙাগী ৱাথোক অসি কনাগুম্বা খরনা মশাগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা মাল্লি। হন্দক্কী ঙাগী মতাং অসি কঞ্জুমর ক্লব মণিপুরনা হকচিন্না লৌই। অসিগুম্বা মওংদা তাদবা থবক খুৎতৌ অসিনা মীয়াম্না য়াম্না চাউনা অৱাবা পীরি। কনা কনাগুম্বা শেল য়াম্না লৈজদবশিংনা ময়ুমগী থৌদোক ৱাথোক অমদি মপাম চাক্নৌবনচিংবা পাঙথোকপা মতমদা ঙা ফংদদুনা ঙা য়াওদনা পাঙথোকখি। অদুগা ঙা ফংদবগী অৱাবা অসিনা কৈথেলদগী অতাংবা লোকেলগী ঙা লৈদুনা শীজিন্নবসু য়াওরি। মসিদা লায়রবা মশাগী লৈজবা শেল খরনা পাঙথোকচগদবা থৌরমশিং পাঙথোকপদা অহেনবা শেনফম চাদিং তৌদুনা ইমুং-মনুংগী শেল-থুমগী থবক্তা চৈথেং পীবতা নত্তনা কঞ্জুমর অমা ওইনা অহোং-অচাও থিদুনা লৈজবা ফংহনখিদে, কঞ্জুমরশিংগী রাইট মৎপীখি হায়রি।

মেদিকেল দিপার্টমেন্টনা কঞ্জুমরশিংগী রাইটপু থওইদনা মশাগী কাঙলোন খঙনা থবক তৌদবনা কঞ্জুমরশিংনা শীজিন্নরিবা পোৎলমশিংদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা হিদাক য়াওরবা ফাওবদা মওং মরিল তানা য়েংশিন্দবা অসি মখা তানা খুদক্তগী য়েংশিনগদবনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

ঙাগী সেম্পলশিংদা ফোর্মেলিন য়াওই হায়বগী খুদম চাংদমসু পীগদবনি লোয়ননা ফোর্মেলিন য়াওই হায়রিবা ঙা খুদিংমক মাংহনগদবনি হায়রি। ঙাগী ৱাথোক অসিদা লান্না তৌখিবা য়াওরবদি দিপার্টমেন্ট অসিবু মীয়াম্না থাজবা মাংদনবগীদমক শোয়খ্রে হায়গদবনি। অসিগুম্বা মওং মরিল তাদবা থবক অমুক হন্না থোক্তনবা হেল্ঠ মিনিষ্টরনা হোৎনবীগদবনি। হিরম অসিদা মরী লৈনবশিংনা থবক ওইনা পাঙথোকপীরক্ত্রবদি লোগী মতেং লৌরকপা য়াই হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোরক্লি।

এৱার্দকীদমক এপ্লিকেসনশিং কৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ (ঐচ এন এস): লৈবাক অসিগী খ্বায়দগী ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দশিং হায়বদি পদ্মা বিভুসন, পদ্মা ভুসন অমসুং পদ্মা শ্রীগীদমক্তা অপাম্বা, থৱাই য়াওবা অমসুং মতিক চাবা মীওইশিংদগী মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা জুলাই ১৫ ফাওবগী মনুংদা থারক্কদবা এপ্লিকেসনশিং কৌরি।

ফোর্মেটতা অকক্কনা পল্লিবা পদ্মা এৱার্দশিং অসিগী মরী লৈনবা অকুপ্পশিং এম ঐচ এগী ৱেবসাইট **www.padmaawards.gov.in** দা ফঙগনি হায়না দি আই পি আরগী চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

এপ্লিকেসন অদুদা মীওই অদুনা থৱাই য়াওজবা লমদা থোইদোক হেন্দোকপা অমসুং তোমথিল ওইবা থবকশিং তৌখিবগী মরমদা য়াম্লবদা ৱাহৈ ৮০০ শীজিন্নদুনা ইবা সাইতেসন অমা য়াওগদবনি।

কুমজা ১৯৫৪ দা লীংখিবা পদ্মা এৱার্দশিং অসি চহী খুদিংগী রিপব্লিক দে থৌরমগা মরী লৈননা লাউথোকই। এৱার্দ অসি আর্ট, লিটরেচর এন্দ এদ্যুকেসন, স্পোর্টস, মেদিসিন, সোসল ৱার্ক, মাইনর এন্দ এঞ্জিনিয়রিং, পব্লিক এফেয়র্স, সিভিল সর্ভিস, ত্রেদ, ইন্দষ্ট্রিনচিংবদা থোইদোক হেন্দোকপা অমসুং তোমথিল ওইবা থবকশিং তৌরিবশিংবু শকখঙবা ওইনা পীগদৌরিবনি।

ঈশিং পীখিরোই

ইম্ফাল, জুলাই ০৭ : তুরেলদগী ঈশিং চিংখৎপা শীজিন্নবা ইলিক্ত্রিক মোটোর য়াখিদবনা মরম ওইরগা কোইরেঙ্গৈ ৱাটর সপ্লায় স্কিমনা কোনবা মফমশিংদা মতম খরা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়রি। ঈশিং পীবা ঙম্লোইদবা মফমশিংগী মনুংদা কোইরেঙ্গৈ কৈথেল, নেপালি বষ্টি কোইরেঙ্গৈ, লুৱাং-শংবম, খাবম লমখায় অমসুং মন্ত্রি-পুখ্রিগী এরিয়াশিং য়াওরি।

TUTORLINE STUDY CENTRE
Estd. 2009
ADMISSION OPEN
Foundation Courses for Class - XI & XII (Science)
& Special Arts Foundation Courses for Class-XII
OUR LAURELS IN HSLCE-2018

Patel Lairenjam
2nd Rank HSLC-2018
Malemnganba Oinam
19th Rank HSLC-2018
Nandeibam Sonia
89.6% HSLC-2018
Class timing: 4:30 a.m. to 7:30 a.m.
Class starts from : 21st June, 2018
VAN & HOSTEL FACILITIES AVAILABLE
OFFICE HOUR - 3:00 PM. TO 7:30 P.M.
Plz Contact : 9774233498 / 9856574172 Keishampat Sega Road, Near Naharolgi Thoudang
HL-B/4693/13/6-13/7

RHYMES TRAINING COURSE
/ ADMISSION OPEN
Class only on Sunday
Only Admission fees at lowest rate,
Tuition fees will be free
Classes commencing on : **8th July, 2018.**
Last date of Admission : **6th July, 2018.**
Limited Seats.
Contact: Subhaluxmi, Kids Foundation
Mangjil Mamang Kongba Road,
Contact ☎ 7005721624
HL-P/4069/7-9

PEACE AND FREEDOM ACADEMY
/Thoubal Haokha
মখাগী অহাংবা ফমশিংগী অসি অথুবা মতমদা পামজে।
১) চাক থোংবা থাকপা ফজনা হৈরবা খুৎলোইরবা মীওইশিং
- Family - 8,000/- to 12,000
- Single - 7,000/- to 10,000
২) Chowkidar - 4,000/- to 6,000/-
৩) Helper - 3,000/- to 5,000/-
খোইদাবা, পাম্বীবা মীওইশিং খকতমক মখাদা পীজরিবা অসিদা পাও ফাওনবীয়ু নৎত্রগা স্কুলদা লেংথোকপীরকউ।
8414001171/9615492169/8732080340 Sd/- Principal
HL-P/1781/6,7&8

SMART HOSTEL
SINGJAMEI SUPER MARKET
(Seperated Boys & Girls)
ADMISSION OPEN
(CLASS VI TO XII & COLLEGE)
FACILITIES FREE ADMISSION
- 24/7 Power Supply NO DEPOSITED
- 24/7 Hygienic Water ₹ 3500 p/m only
- Homely Care Food
40 BEDS ONLY
- Auto, Magic, Bus Parking Front of Hostel
- Spoken English & Coaching All Subjects
- Urgent Medical Facilities Front of Hostel
- Van Service available.
HL-P/1303/15/5-12/7 (Alt.) Contact No. ☎ 8730999192

SARASWATI COACHING INSTITUTE
Chingmeirong Khongnang Karak, Imphal
ADMISSION OPEN
CLASS XI Science FOUNDATION COURSE
Starting of Class : 16th July, 2018
MEDICAL REGULAR COURSE (NEET UG) -2019
Starting of Class : 25th July, 2018
Special feature
1. *Supply of study material from Delhi.*
2. *Weekly test strictly in NEET pattern.*
3. *Free studentship secured mark for (80% and above).*
4. *Hurry limited seat only.*
Managing Director
We nourish your future
HL-B/4722/28,30,&26July(Alt.)

EMPLOYMENT
1. WANTED OFFICE STAFF AGENT
Regular job for the Staff agent in Manipur
Min Qua :- VIII Pass ,Age :- 18 to 38 years, No of Post-58 both male/fem
Monthly Salary :- Rs-13,000 to 25,600 + Travelling incentive.
/থবক্কী পাউ

(AIR HOSTESS REGULAR JOB)
Min Qua :- XII, Age : 17 to 30 years.
Become a Cabin Staff within 60 Days only
Monthly Salary :-
Rs-25,000 to 67,000.
Immadiately Joining for Selected Candidate
*Job for Domestic & Internaltional Airport within India. Accommodation provided
NO DEPOSIT SL NO-4 MERCHANT NAVY JOB IN INDIA & ABROAD NO DEPOSIT
(Freshers and experienced seafarer can apply)
i) Deck Officer , Engine Crew, Seaman, G.P. Rating & D.N.S Cadet
Salary: ₹30,000.00 to ₹80,000.00 /month Qualification :- X to Graduate.
For Detail Just Contact us at :-
OFFICE OF THE
Leima Job Guideline Service, Kwakeithel Bazar, Airport Road-Imphal.
Helpline no :-8974975286
HL-B/4677/2/6-30/7(Alt.)

[lragKE ADMISSION OPEN [OwE
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/3380/4/7-3/8

URGENT REQUIRE
Regd. No. [illegible] of 2017, Govt. of Manipur

Sl. No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Salary
1.	Urgent Imphal post vacancy – First come first chance			
	i. Writing copy at Home (housewife/student)	50	VIII/X/XII	Rs. 350 per copy
	ii. Sweeper (Man & Women of Hospital)	40	VIII/X/XII/G	5000-15000
	iii. Office Front Reception/Attendant	20	VIII/X/XII	4000-15000
	iv. Company Driver (Light vehicle)	20	VIII/X/XII	5000-10000
	v. VIP Driver (Light vehicle)	10	VIII/X/XII	5000-10000
	vi. Ex-Serviceman Guard/VIP Gunman	20	VIII/X/XII	8000-20000
	vii. Man Guard/Ladies Guard	30	X/XII/G	5500-10000
	viii. Micro RO/BDO/MO/PRO	20	VIII/X/XII	5000-20000
	ix. Home Delivery Staff/Sales Executive	50	VIII/X/XII	5000-10000
2.	Direct selection & joint for Airport post vacancy - 100% guide and success - 50% S.T. reserved – Semi Govt. work			
	i. Cargo Loader	40	VIII/X	10700-70000
	ii. Asst. Cargo Officer/Cargo Supervisor	30	X/XII	15000-80000
	iii. Jr.Retail CSA/VIP Lounge Staff CSA	20	X/XII/G	15000-90000
	iv. Ground Staff (CSA/CSE/GSR/CSR)	40	G/M	16000-1 Lac
	v. Airport Driver (Heavy/Light)	30	VIII/X/XII	13000-80000
	vi. Ladies Bhagi Operator (Light)	40	X/XII	15000-80000
	vii. Air Hostess/Cabin Crew	10	G/M	5000-3 Lac
3.	No Donation & No Deposit Work at Imphal – First come first chance			
	i. Area Counselling Manager/Marketing Manager	40	VIII/X/XII	8000-20000
	ii. Part-time job (not less than 25 years and PAN CARD compulsory (Financial Advisor)	50	X/XII/G	Negotiable
	iii. Data Entry	10	X/XII/G	6000-10000

Last Date of Submission : 25-07-2018
Date of Interview : 26-07-2018
Office Hour 10:00 a.m to 04.00 p.m
Pliz Contact:
Kanglei Guidance Centre
Uripok Over Bridge Makhong Near Cosmo Dental Clinic
☎ : 9077766104 / 8575764834 / 8794951292
HL-P/4039/2,4,8,10,12,14,17-25

/মীতৈ লায়েং
য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীওথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।
Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. **9612225582**
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee
HL-B/4699/19/6-18/07